# আম আদমি পার্টিনা ষ্টেট ২০দা লোক সভা মীখল থেংনগদৌরি



**লক্ষনৌ, জনুৱারি ৭ ঃ** দিল্লিদা অঙকপা মওংদা মায় পাকখ্রবা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)না লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২০দা লোক সভা মীখল থেংনগদৌরি। পার্টি অদুনা উত্তর প্রদেশতা মরু ওইবা মীৎয়েং চঙলি। ষ্টেট অদুদা সীট ৮০ লৈরি।

এ এ পিগী নেসনেল ইগজেক্যুটিভ মীফম্না উত্তর প্রদেশকী সীট ৮০ লৈবা মীখল থেংনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২০দা মীখল থেংননবা ফিভম শেমখ্রে। পার্টি অদুগী মরু ওইবা লুচিংবা অমা ওইরিবা কুমার বিশ্বাসনা কংগ্রেস পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা রাহুল গান্ধিনা মীরেপ ওইগদৌরিবা অমিঠিদা মীরেপ ওইবা পাল্লি।

এ এ পিগী ওইনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অদুদা তেংনগদবা কেন্দিদেটশিংগী মিং ফেব্রুৱারি ১৪দা লাউথোক্কদৌরি। লোয়ননা মীখল অদুদা থেংননিংবা মীওইশিংনা চৎলিবা থা অসিগী ১৫ ফাওবদা মীরেপ ওইনিংবগী চেরোল পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

অদুমওইনমক, মহাক্না মীরেপ ওসবগী চে পীশিল্লকপা মতমদা মহাক্না মীরেপ ওইগদৌরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি য়াওনা মফম অতৈদগী মীওই ১০০ না রেকমেন্দ তৌরকপা ওইগদবনি হায়রি। পীশিল্লক্কদবা এপ্লিকেশন খূদিংমক ষ্টেট লেভেল অমসুং দিষ্ট্রিট লেভেলগী স্ক্রুটিনাইজ কমিটিনা ৱারেপ লৌগনি।

এ এ পিনা জাতি অসিগী ওইবা মেনিফেষ্টো ফোঙদোক্ত্রিনৈগী মাঙওইননা মহাক্না লৈরিবা মফম অদুগী মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না ফিরেপ লৌগদবনি। ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুলয়াসিং য়াদব, রাম বিলাস পাৱন, ফরুক অব্দুলাহ, মমতা বেনর্জি, ময়াৱাতি অমসুং অতোপ্পা পার্টি কয়া বি জে পিনা মমাঙদা চৎমিন্নরমখি। অদুগা কংগ্রেস পার্টিগা লোয়ননা মখোয়না ধর্ম্মদা মীচঙ–মীখায় নাইদবা পার্টিনি হায়না ফোঙদেক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এ এ পিনা সরকার পায়রক্লবদি এম পি ফন্দশিং মায়কৈ অমরোমদা, থৈদোক্তুনা লম লমগী মোহল্লা অমসুং গ্রাম সভাশিংদা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না থবক তৌহন্নবা হোৎনগনি। লোয়ননা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না শেনফমশিং অদু শীজিন্নগদবা মফমশিং লেপকনি হায়খি।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা আম আদমি পার্টিনা চলিবা থা অসিগী ১২দা জন বিস্বাস হায়না মিংথোনবা অমেথিদা চথখিবনি হায়রি।

চহি অমা মপূং ফাদ্রিবা আম আদমি পার্টিনা দিল্লি এসেমব্লি ইলেক্সন্দা অঙকপা মওংদা মায় পাক্তুনা ঙসি দিল্লিদা সরাকর শেন্লি। মীখল অদুদা এ এ পিনা সীট ৭০ গী মনুংদা ২৮ ফংখি। অদুগা হৌজিক ওপোজিশন ওইনা লৈরিবা ভারতিয়া জনতা পার্টিনা সীট ৩২ ফংদুনা খ্বাইদগী চাউবা মশীং য়াম্বা পার্টি ওইখি।

অদুম ওইনমক, বি জে পিনা দিল্লিদা সরকার শেন্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং অনীশুবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা পার্টি ওইরিবা আম আদমি পার্টিনা কংগ্রেসকী মতেংগা লোয়ননা দিল্লিদা সরকার শেন্লি। মমাঙদা আম আদমি পার্টিনা কংগ্রেস অমসুং বি জে পিগা চৎমিন্নরোই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি। অদুমওইনমক দিল্লিগী মীয়াম্না এ এ পিদা পীরকখিবা থৌদাংগী মতুং ইন্না এ এ পিনা কংগ্রেসকী মতেং লৌদনা দিল্লিদা সরকার পায়রি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### থিয়েটরদা তমথিবা থৌদোক

*মীওইবগী ৱাখল হকচাং পোত্থাফম ওইবতা নত্তনা পূক্নিং লৌশিং লৌফম অমা ওইরিবা থিয়েটরগী হোল করিগুম্বকান্দা মোংফম ওইরকখিবা য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা তম্বা ঙমদবা তমথীরবা থৌদোক খরা মালেমগী মমিং লৈখিবা থিয়েটর হোল খরদা থোকখ্রে। হঙ্গৎনা য়েংলুবদা তমথিরবা থৌদোক অদু পনবা তারবদা চাইনাদা থোকখিবা থৌদোক অমা নীংশিংবা য়াই। ইং ১৮৪৫ দা চাইনাগী গুৱাংঝৌদা লৈবা অচৌবা থিয়েটর হোল অমা মৈনা তূম্না চাকখি। গুৱাংঝৌ অসি মতমদুদা কান্তোন হায়না খঙনরম্মী। মৈ চাকখিবা থৌদোক্তুদা পূন্না মীওই ১৬৭০ শিখি। মথংদা ইং ১৮৮১ দা ওষ্ট্রিয়াগী ভিয়েনাদা লৈবা রিং থিয়েটর মৈ চাকখি। য়ুরোপকী ওইনা খ্বাইদগী তমথিরবা থৌদোকসিদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬২০ মৈনা চাক্তুনা শিখি। য়ু এস এগী ওইনা খ্বাইদগী তমথিবা থৌদোকসিনা ইং ১৯০৩ দা থোকখি। চিকাগোদা লৈবা ইরোক্বাওস থিয়েটর মৈ চাকখিবদা মীওই ৬০২ শিখি।*

# প্রিয়ঙ্কা গান্ধিনা রাহুল গান্ধিগা উন্নখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৭ ঃ** প্রিয়ঙ্কা গান্ধিনা ঙসি কংগ্রেস পার্টিগী রাজনিতিগী মতাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা য়াওদুনা মহাক্কী মৌপ্পানুপা রাহুল গান্ধিগা উনখ্রে।

পার্টি অদুগী সেনিয়র লীদর অহমদ পাতেল অমসুং জনারধন দ্বেবেদিগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই কয়াগা লোয়ননা পূংখায় অমা হেন্না পাঙথোকখিবা মীটিং অদুদা শরুক য়াখি।

মীটিং অদু কংগ্রেস পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা রাহুল গান্ধিগী য়ূমদা পাঙথোকখিবনি। মদুদা প্রিয়ঙ্কা গান্ধিসু মিনিট ৫রোম শরুক য়াখি হায়রি।

রাজনিতিগী ওইবা ৱাফমদা সোনিয়া গান্ধিনা মীরেপ ওইগদৌরিবা রাইবরেলি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী ওইবা থবক থৌশীলগী মতাংদা মমাঙ থাদগী অপূনবা থবক পায়খৎতুনা লাকখিবনি।

পার্টি অদুগী সোর্স মতুং ইন্না মীটিং অদুদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধি অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা মীখলগা মরী লৈননা চৎকদবা খোঙচৎশিংগী মতাংদা কূপ্পা খন্ন–নৈনখি হায়রি।

# মুজাফর নগরগী রাইওট ভিক্টিমশিং লাস্কর ঈ টোইবানা রিক্রুট তৌনবা হোৎনরি

**মুজাফর নগর, জনুৱারি ৭ ঃ** কাঙলুপকী ঈরাংনা মরম ওইরগা মুজাফর নগরগী রিলীফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং লাস্কর–ঈ–টোইবানা মখোয়গী লুপ্তা য়াওহন্নবা হোৎনরে।

মুজাফর নগরগী রিলীফ কেম্পতা লৈরিবা মীওই খরনা ফোঙদোরকখিবদা লাস্কর–ঈ–টোইবাগী লুপতা য়াওননবা ৱাফম কয়া হায়রক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

রিলীফ কেম্প অদুদা হরিয়ানাদগী ইমাম অনীনা মমাঙ থাগী অরোইবা চয়োলদা লাক্তুনা কাঙলুপকী ঈরাংনা শোকহল্লবা অমদি মুজাফর নগরদা চঙজফম লৌরিবা মীওইশিং অদুদা য়েংশিনবা লাকখি। মুজাফর নগর অমসুং সামলিগী রিলীফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী ৱাফম রেকোর্দ তৌবদা হাফিস রসিদি অমসুং সাহিদ কৌবা মীওই অনীনা লাস্কর–ঈ–টোইবাগী মরু ওইবা মীওই অমগা লোয়ননা রিলীফ কেম্প অদুদা তত্তুনা লাকখি হায়বা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিল্লিবা কাঙবুনা খঙবা ঙমখি।

থা অহুমগী মমাঙদা কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা য়েৎননিংঙাই ওইবা মওংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা লৈবাক অসিগী ইন্টলিজেন্স ওফিসরশিংনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্নঠ মুজাফর নগরদা লৈরিবা নহারোলশিংদা আই এস আইনা মখোয়বু কাদর ওইনা লৌশিন্নবা হোৎনরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মুজাফরনগরগী অকোয়বদা থোকখিবা মুসলিম অমসুং মশীং য়াম্বা হিন্দুশিংগী কাঙলুপকী ঈরাং অদুদা মীওই ৪৫ সুগরকেন দিষ্ট্রিক্টতা শিহনখি। মদুনা মরম ওইরগা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা অচৌবা উংখৎনবগী থৌদোক থোকহনখ্রে।

থৌদোক অদুদা হিন্দু কাঙলুপ্তা লৈবা মীওই ১০ অশিবগী মনুংদা য়াওখ্রে। ঈরাং অদুনা মরম ওইরগা মুজাফরনগরদা লৈবা স্কুল ৪০ অমদি মোস্কশিংদা রিলীফ কেম্প ওন্থোক্তুনা মীয়াম অদু চঙজফম পীখি। মফম অদুদা তঙায়ফদবা মীয়াম অদুগী চীঞ্জাকশিং পীদুনা লাক্লি।

কাঙলুপকী ঈরাং অদু মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ২৭তা হিন্দু ধর্ম্ম নহা অনীনা ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপা নহা অমা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবা অমদি মহাক্কী মচননুপীশিংদা সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট পীখি হায়বগীদমক ঈরাং অদু থোক্লকখি।

থৌদোক অদুদা মুলিমশিংনা নুংনা থাবদা হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা মীওই অনী শিখি। তুংদা পুলিসনা ফিভম অদু লাকশিনবা ভমখিদে। লোয়ননা রাজনিতিৱালাশিংনা হিন্দু অমসুং মুসলিমগী মরক্তা কাঙলুপকী ঈরাং থোকহনবা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকখি।

মুজাফর নগরদা ইন্দিয়ানা ইং ১৯৪৭ তা নীংতম্বা মতমদগী মফম অদুদা মুসলিমশিং খুন্দাদুনা লৈরকখিবনি হায়রি।

# দিমাপুরদগী ফংখিবা অশিবশিংগী ইমুং মনুংদা এক্স–গ্রেসিয়া পীরগনি

**কোহিমা, জনুৱারি ৭ ঃ** চৎলিবা চহী অসিগী জানুৱারি ৩ দা দিমাপুরদগী ফংখিবা অশিবশিংগী ইমুং মনুংদা নাগালেন্দ সরকার এক্স–গ্রেসিয়া পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ঙরাং কেবিনেট মীটিং অমা পাঙ–থোক্লবা মতুং এক্স–গ্রেসিয়া পীননবা ৱারেপ অদু লৌখিবনি হায়না নাগালেন্দগী চীফ সেক্রেটরি আলেম তেমসি জামিরনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কেবিনেট মীফম অদুনা মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাফমদা এক্স–গ্রেসিয়া অদু পীগদবনি। অদুম ওইনমক, পুলিসনা মীহাৎ অদুগী মতাংদা থীগৎপগী থবক চথরিবনি হায়রি।



*দিমাপুরদা ফংখিবা অশিবা হকচাংশিং*

কেবিনেট মীফম অদুনা হায় পৱার ইনক্কারি কমিটি অমা অমদি স্পিপসিয়েল ইনভেষ্টিগেশন টীম অমা শেমদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অথুবা মতমদা থীগৎতুনা মরাল লৈবশিং ফাননবা হোৎনরি। হায় পৱার ইনক্কারি কমিটি অদুনা মীহাৎ অদুগী চপ চাবা রিপোর্ট থা অমগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি হায়নসু খঙহনখি।

মীফম অদুনা কর্বি অমসুং রেংমা মীয়ামদা শান্তি ওইনা অমদি মমাঙঙৈদগী হৌনা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা লৈনরকপা নুংশিনবা অমসুং মরুপ–মপাং ওইবগী মরীদা কায়–হন্দনবা আপীলসু তৌখি।

# কাশ্মিরদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা সেক্যুরিটি পর্সনেল ১ শিরে, ৩ শোক্লে

**শ্রিনগর, জনুৱারি ৭ ঃ** জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী কোনুং শ্রিনগরদগী কিলোমিটর ৫০রোম চৎলগা লৈবা সোপোরেগী সহর অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা সেক্যুরিটিগী এসিষ্টেন্ট সব–ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস কাফিল অহমদ শিরে। লোয়ননা পুলিস পর্সনেল অহুম শোকহনখ্রে।



সোপোরেগী সহর অদুদা লৈবা য়ূম অমদা মিলিটেন্টশিং লোত্তুনা লৈ হায়না পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা চঙশিনবদা কাপ্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। পুলিসকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা সোপোরেগী চনখান লমদমদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী কোয়শিন্দুনা থমখি।

সহর অদুগী য়ূম অমদা মিলিটেন্টশিং অদু লোত্তুনা লৈরে হায়বা খঙখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা চঙশিনবদা লোত্তুনা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপ–থোরকপদা পুলিস পর্সনেল মরি শোকখি।

অশোকপশিং অদু হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়েংখি। মদুগী মনুংদা কাফিল অহমদতি অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা লৈখিদে। সহর অদু তোকখায় তানিংবগী ঈহৌ কন্না লৈবা মফমনি। হায়রিবা মফম অদু লাস্কর–ঈ–টোইবাগী খ্বাইদগী হেন্না মপাঙ্গল কনবা মফম অমসু ওইরিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা মফম অদুদা ইং ১৯৯৩দা সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৫৭ লৈখিদবা থৌদোক অদুবু মাসেকর নুমিৎ অমা ওইনা থৌরম পাঙথোকখি।

ইং ১৯৯৩ গী জনুৱারি ৬তা থোকখিবা থৌদোক অদুদা সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মিলিটেন্টশিং থিবগী মিংদা দুকান য়াওনা য়ূম ৩০০ মৈ থাদোকখিবনি হায়রি।

# কাশ্মিরদা কা–হেন্না ঈংবা নুংশিৎ শীৎলি লেহনা খ্বাইদগী হেন্না অঙ্গীংবা মফম ওইরে

**শ্রিনগর, জনুৱারি ৭ ঃ** কাশ্মির অমসুং লদাখ দিভিজনদা খ্বাইদগী ঈংবগী ফিভম অমা মায়োক্লরে। লেহনা চহি অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ঈংবগী রেকোর্দ মাইনস ১৭.৪ দিগ্রী সেলসিয়তা লৈদুনা শাথীবা ফিভম অমদা লৈরে হায়রি।

ঙরাং অহিং লেহদা হান্না লৈরম্বা অঙ্গীংবগী চাং মাইনস ৭.৯ দিগ্রী সেলসিয়তগী দিগ্রী ১০ হন্থখ্রে হায়না মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি। কার্গিল সহর অমসুং অকোয়বদা মাইনস দিগ্রী ১৯ সেলসিয়সতা লৈখি। মদু মমাঙগী নুমিত্তা মাইনস ১৩.১ দিগ্রী সেলসিয়সতা লৈখিবনি হায়রি।



হন্দক চহিগী ওইনা কার্গিলদা ঈংবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংদুনা মাইনস ১৯.৮ দিগ্রী সেলসিয়সতা লৈখি। হৌজিক জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা খ্বাইদগী ঈংবগী চাং অসি দিগ্রী সেলসিয়স মাইন ৩.৩ ওইরি। মদু মমাঙগী অহিংদদি মাইনস ২.৩ দ্রিগ্রী সেলসিয়স ওইখিবনি হায়রি।

কার্গিল অমসুং অকোয়বা মফমশিংদা সেলসিয়স দিগ্রী মাইনস ১৯ য়ৌনা ঈংলে। মদু মমাঙগী অহিংদা ওইখিবা মাইনস ১৩.১ সেলসিয়স দিগ্রীদগী দিগ্রী ৬ হন্থরবনি হায়খি।

সাওথ কাশ্মিরগী পেহলগামদা হান্না লৈখিবা মাইনস ৭.৪ দিগ্রী সেলসিয়সতগী ৭ দিগ্রী হন্থখিবগা লোয়ননা হৌজিক মাইনস ১৪.৭ দিগ্রী সেলসিয়সতা লৈরে হায়রি।

ষ্টেট অদুগী খ্বাইদগী মরু ওইবা টুরিষ্টশিংগী মফম অমা ওইরিবা ইস্কি রিজোর্টতা মাইনস ১১.৬ সেলসিয়স দিগ্রী য়ৌনা ঈংখ্রে। মমাঙগী অহিংদা মফম অদুদা সেলসিয়স দিগ্রী মাইনস ৯.৭তা লৈখিবনি হায়রি।

মেট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল–শিংনা ফোঙদোকখিবদা, কাশ্মির তম্পাক্তা হৌজিক হৌজিক মাইনস ৪.৪ দিগ্রী সেলসিয়স ঈংলি। অদুগা কোকেরনাগতনা মাইনস দিগ্রী সেলসিয়স ৫. ২দা লৈ হায়রি।

নোর্থ কাশ্মিরগী কূপৱারাদা খ্বাইদগী ঈংবগী চাং অসি মাইনস ৪.৬ দিগ্রী সেলসিয়স ওইরি। মদু মমাঙগী অহিংদদি মাইনস ১.৮ দিগ্রী সেলসিয়স ওইরম্বনি হায়রি।

মেট দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না হায়রিবা মফমশিং অদুদা মথংগী নুমিৎ হুম্নি ফাওবদা ঊন মখা তানা তাবগী ফিভম মায়োক্লগনি হায়রি।

# অশিবা অঙাংগী হকচাং ফত্ত–হৌদি হুন্দোকফমদা লংথোক্লক্লে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৭ ঃ** ন্যু দিল্লিদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমনা অঙাং অমগী অশিবা হকচাং ফত্ত–হৌদি হুন্দোকফমদা লংথোক্লক্লে। থৌদোক অদু সরকারনা মতীক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

অঙাংগী অশিবা হকচাং অদু মমা মপানা হোস্পিটাল অদুগী অশিবা থম্ফমদা পৈশা পীদুনা থল্লমখিবনি। অদুমওইনমক, মাতা চনন দেবী হোস্পিটালদা থা শুদনা পোকখিবা অঙাং অদুগী অশিবা হকচাং অদু শোয়বদগী ফত্ত–হৌদি হুন্দোকফমদা লংথোক্লম্বদা য়াওরমখিবনি হায়রি।

অঙাং অদু তোঙান তোঙানবা অনাবা মখল কয়া য়াওরকপদগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈখিদ্রবা মতুং মমা–মপানা অরোইবা মথৌ–মঙম পাঙথোক্তিন্নৈ মাঙওইননা হোস্পিটাল অদুগী অশিবা থম্ফমদা থম্নবা পীরমখিবনি হায়রি।

# নরেন্দ্র মোদিগী মথক্তা কেস ফাইল তৌ হায়বা পুলিসনা য়াখিদ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৭ ঃ** ওপোজিশন পার্টিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা নহা ওইরিবী নুপী অমগী মথক্তা ষ্টেট মেছিনরি শীজিন্নদুনা য়েংশিনবগী থবক চথখি হায়না থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমা পুলিসনা রেজিষ্টার তৌ হায়বা য়াখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরিবা গুজরাটতা বি জে পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেট মেছিনরি শীজিন্নদুনা নহা ওইরিবী নুপী অমগী মথক্তা য়েংশিনবগী থবক চথখি হায়বদু পুলিসনা য়াখিদবগা লোয়ননা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অদু লৌখিদবনি হায়রি।

কেস অদু লৌখিদবগী মরমদি গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিগী মথক্তা শীরকখিবা মরাল অদুগী মতাংদা ষ্টেট জুদিসিয়েল কমিশননা হান্ননা থীগৎতুনা লৈবদগী কেস অদু লৌ হায়বা য়াদবনি হায়রি।



থিজিন–হুমজিনবগী থবক তৌবা ৱেবসাইট কোব্রা পোষ্ট অমসুং গুলাইল দোট কোমনা থা কয়াগী মমাঙদগী ইং ২০০৯ দা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা রিপোর্ট তৌদুনা লাকখিবনি। গুজরাটকী ইন্টিরিয়র মিনিষ্টর অমিট শাহনা পুলিসতা য়াথং পীদুনা নহা ওইরিবী আর্কিটেক অদুগী মথক্তা য়েংশিন্নবা শাহিব হায়না খঙনবা অমগী য়াথং মতুং ইন্না চথখিবনি হায়রি।

হৌজিক সরকার পায়রিবা কংগ্রেস পার্টিনা সাহিব হায়রিবা মীওই অদু কনাসু নত্তে। মহাক নরেন্দ্র মোদিনি অদুগা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইগদৌরিবা নরেন্দ্র মোদিনি হায়না ফোঙদোক্লি।

কেস অদুগী মতাংদা প্রদিপ শর্ম্ম কৌবা অৱাংবা থাক্কী মীওই অমনা কমপ্লেন্ট অমা তৌরুবগীদমক মহাকপু ইং ২০১০দা গুজরাট সরকারনা করপশন তৌই হায়না থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখি।

প্রদিপ শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা, মহাকপু অরানবা শীজিন্নবা হোৎনরে। মোদি অমসুং মহাক্কী চৎমিন্নবশিংনা নহা ওইরিবা নুপী অদুগা তোঙানবা মরী লৈনৈ হায়না খুদম চাংদম ওইবা য়াবা মরী লৈনদবা ভিদিও ক্লিপ কয়াসু পুথোক্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

থিজিন–হুমজিনবা ৱেবসাইট অনী অদুগী রিপোর্ট মতুং ইন্না পুলিসতা মহাক্কী ওইবা রিপোর্ট অদু থাঙ্গৎখি। অদুমওইনমক, মহাক্কী কমপ্লেন্ট অদু মকোক থোংবা পুলিস ওফিসারশিংনা লৌখিদবগা লোয়ননা কোর্টতা চৎতুনা ৱাকৎলু হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

গুজরাটকী চিফ মিনিষ্টরনা মঙোন্দা হায়রকখিবদা নহাক্কী নচানুপীগদমক য়েংশিল্লু। মদুগীদমক মহাক্না ৱাবীরি হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

মমাঙ চহিগী দিসেম্বর থাদা এন জি ও এক্টিষ্টশিংনা ৱাফম অদুগা চপ মান্নবা কমপ্লেন্ট কয়া মোদিগী মথক্তা থাঙ্গৎলকখি। অদুম ওইনমক পুলিসনা রিপোর্ট অদু লৌখিদে হায়রি।

# এ কে গাঙ্গুলিগী ফম থাদোকপগী ৱাফম গভর্ণর এন কে নরায়ননা য়াখ্রে

**কোলকটা, জনুৱারি ৭ ঃ** হান্নগী সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস এ কে গাঙ্গুলিনা লো ইন্টর্ন তৌরিবী ছাত্রি অমদা সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট পীখি হায়বগী মতাংদা লাকখিবা ৱাথোক্লা মরী লৈননা গাঙ্গুলিনা ফম থাদোকপগী চেরোল গভর্ণরনা লৌখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্ণর এন কে নরায়ননা হান্নগী সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরম্বা এ কে গাঙ্গুলিনা ফম থাদোকপগী চেরোল অদু ঙরাং লৌখিবনি হায়রি।

গভর্ণরনা ফম থাদোকপগী ৱাফম অদু ষ্টেট সরকারদা খঙহনখ্রে। চহি ৬৬ শুরবা এ কে গাঙ্গুলিনা রাজভৱন্দা গভর্ণরগা উনবদা মহাক্কী ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে। অদুম ওইনমক, জষ্টিস গাঙ্গুলিনা মহাক্কী ফম থাদোকপগী ৱাফম অদু য়ুনিয়ন কেবিনেটনা প্রসিদেন্টতা শিন্নদুনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱেষ্ট বেঙ্গল হ্যুমেন রাইট্স কমিশনগী চ্যেরমেনগী



ফমদগী লৌথোক্লবা হায়জখিবা অদুগী মতুংদা পায়খৎলকখিবনি হায়রি।

মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদগী থোক্লকখিবা ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অহুমগী কম্মিটি অমনা মহাকপু ফম অদুদগী থাদোক্লবা হায়খ্রবা ফাওবদা ফম থাদোকউ হায়বা য়াখিদবনি।

কম্মিটি অদুনা মহাক্কী মথক্তা শীরকখিবা মরাল অদুগী মতাংদা অইবা অমসুং চিন্না হায়বা কয়াগী রেকোর্দ তৌদুনা কোর্টতা পীরকখিবনি হায়রি।